‘লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : থৌবাল লৈশাংথেম খোং মনুংদা থা অমরোমগী মমাংদগী ঙসি ফাওবা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লদুনা লৈরিবা অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না য়ুথ এসোসিয়েসন লৈশাংথেমগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এল প্রেমকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

প্রেমকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ৩ দগী হৌনা মায়কৈ অসোমদা ঈচাওনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া য়ুম লৈবা য়াদদুনা রিলিফ কেম্পদা লৈরক্লি। লৌফম অমদি ঙায়োক ফার্ম কয়া অমসু ঈশিংনা থুমজিনখিদুনা লৌমীশিং ৱানরি। ঈচাও নংলবা ইমুং ৫৩০ গীদমক রিলিফ কেম্প ৩০০ হাঙদোক্তুনা লৈরম্বনি।

ঈশিং ময়েং খরা তারকপদগী মীওই খরা ময়ুম ময়ুমদা চৎনখ্রবসু হৌজিক রিলিফ কেম্পদা মীওই কয়া অমা লৈরি। মীয়াম্না চানবা পোৎলমগী অৱাৎপা অমদি লায়না তিন্না কয়া লাক্কদ্রা হায়না মীপায়নরি। লৈঙাক্লা মেদিকেল কেম্প অমা, চেঙ অমুকখক য়েল্লম্বা অমদি পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্টদগী ঈশিং য়েল্লম্বা নত্তনা মখা তাবা থবক অমা ফাওবা পায়খৎলক্ত্রি।

রিলিফ কেম্প শাবদা চঙলিবা পোৎলমশিংদগী হৌরগা খুদিংমক লন্নাই লুপশিং অমদি লুচিংবা কয়ানা তেঙবাংলকপা ঙাক্তনি। চান-থক্লবা পোৎলম কয়া লন্নাই লুপ কয়ানা তেঙবাংবীরকপ- গীদমকসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মখা তানা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

হেন্দ গ্রেনেদ লৈরম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চিঙামখা মোদেল ক্লবকী অৱাংদা লৈবা নুঙ মরক্তা ঙসি নুংথিল পুং ৪.২০ লোম তাবদা চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরম্লে। হেন্দ গ্রেনেদ অদু লৈকায়গী মীওইশিংনা থেংনরকপদগী শিংজমৈ পি এস কী ও সী ইঙোচানা লুচিংবা কাঙবু অমা লাক্লগা অশোয়-অঙাম য়াওদনা লৌখৎখ্রে। গ্রেনেদ অদু কনানা থমজিল্লম্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

কে সী পিগী কাদর অনী ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা থা অসিগী ২৫ দা সেকমাই কৈথেল মনাক্তা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা কে সী পি (নোয়োন) কাঙবুগী কাদর অনী ফারে।

ꟸকম্মান্দোনা ফারবা মীওইশিং অদুদি মোইরাং খুনৌ খোংনাংমখোঙদগী নিংথৌজম শরতচন্দ্র (৩৬) অপোকপা এন শামু অমসুং ক্বাক্তা সেবলা ৱার্দ নম্বর টুদগী এম দি ইমরান খান এলিয়স ইথেম্বা (২৭) অপোকপা এম দি হাবিবুর রহমননি। মখোয়দগী চে-চাং খরসু ফংলে। মখোয়গী মথক্তা সেকমাই পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা ৱাহং-পাউহংবগী থবক চথরি হায়রি।

জিরিবামদসু খোঙজং চথখ্রে

জিরিবাম, জুলাই ২৭ : কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা ঙসি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী মমাঙদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৮ দা য়েলহৌমীশিংগীদমক সীট রিজার্ভেসন থম্নবগীদমক খোঙজং চথখ্রে। মহৈরোয়শিংনা চথখিবা খোঙজং অদুদা মীখলদা নন-লোকেলশিং য়াওহন্দবা, য়েলহৌমীশিংবু ঙাক শেন্নবা লো শেম্মু হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং বেন্নর অমদি প্লেকার্দশিংদা ইদুনা থেৎখি।

জিরিবাম এরিয়া অসি নন-মণিপুরীশিংনা নোংমা-নোংমগী চঙশিল্লক্তুনা মশিং য়ামশিল্লক্লে। মসিদা কে এস এ অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা য়াম্না কন্না য়ানিংদে। নন-মণিপুরীশিংনা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৮ দা য়েলহৌমীশিং কন্নবা সীট রিজার্ভেসন থমগদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি।

এক্সিদেন্টতা শিরে

*লামায় ১গী মখা...*মীওই অমা তকপদগী শিরে, অদুগা অমনা শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিংনা জাওলুনপাও কামৈ কৌই। নুংবা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা গ্বাক্কাকলোং খুলদা লৈবনি। অদুগা অশোকপা নুপা অদুনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

GAS TODAY
ASHANGBI INDANE, SUGNU
SL. NO. 12486
Booking Upto:26/04/2017
Valid From:22/04/2017
Stk :306
(Only for CTC consumers)
Timing: 09.00am to 11.00AM

কাঙনা শন্দোকপা লায়না ঙাকথোক্ননবা এক্সপার্টশিংনা হায়বশিং ঙাক্না চৎসি : লুখোই

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : কাঙদগী শন্দোকপা মী শিহনবা য়াবা তোঙান তোঙানবা লায়না লায়ওংশিংদগী ঙাকথোক্নবগীদমক এক্সপার্টশিংনা হায়বা ৱাফমশিং ঙাক্না চৎনবা হোৎনসি হায়না ৱাঙ্গৈ এ সীগী এম এল এ ও লুখোইনা ফোঙদোকখ্রে।

দি এনর্জেটিক য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (ঈ ৱাই দি ও) শমুরৌ কৈথেল অমসুং হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (ঐচ আর দি ও) না পূন্না খূৎশম্নরগা ঙসি শমুরৌ কৈথেলদা পাঙথোকখিবা কাঙনা শন্দাকপা লায়নাশিংগী মতাংদা পাঙথোকপা এৱ্যার্নেস কেম্পেন অমদা ৱা ঙাঙলদুনা এম এল এ ও লুখোইনা হায়খি, জেনিমস হোস্পিটালদা ঙরাং শমুরৌদগী মশা ৱাই শংদবী চহী নৌরিবী মৌনহা অমা লৈখিদবা অসি য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোকনি। মহাক লৈখিদবগী মরম খঙদোক্লনবা হোৎনবা ওইনা মহাক্কী ঈ টেষ্ট তৌরুবদা দেঙ্গিনি হায়না কনফার্ম তৌখি। অসিগুম্লবা লাইবক থিবা থৌদোক অসি মখা তানা শমুরৌ অমদি অকোয়বগী মফমশিংদা থোকহন্দনবগীদমক মীয়াম্না লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎমীন্নসি।

থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা হৌজিকসু মফম অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা মীপাইবা অমা পোক্করি। মরম অসিনা হেলথ দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহল্লবা মতুং এক্সপার্টশিং য়াওনা এৱ্যার্নেস কেম্পেন অসি পাঙথোকপনি। এৱ্যার্নেস কেম্পেন অসিদা এক্সপার্টশিংনা কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিংদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কদগে অমদি ঐখোয়না মতম চানা চেকশিন থৌরাং মতৌ করম্না লৌখৎকদগে হায়বদু পূন্না খঙমিন্নরগা থবক ওইনা ওন্থোকপা চঙই। মরম অসিনা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিংগী মরমদা পূন্না ৱাখল তামিন্নরগা লায়না লায়ওং কয়াদগী ঙাকথোকসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এৱ্যার্নেস কেম্পেন অদুদা শরুক য়াখিবা হেলথ দিরেক্টরেটকী এদিসনল দিরেক্টর ডা. খোইরোম সসিকুমারনা হায়খি, লমদমসিদা হান্না তারমদবা লায়না লায়ওং কয়া নৌনা তারক্লি। হান্না তারম্বা কয়ানা তপ্না তপ্না মাঙখি। জপানিজ এন্সেফেলাইটিস, স্বাইন ফ্লু অমদি স্ক্রব টাইফসনচিংবা মী শিহনবা য়াবা লায়না কয়া থোরক্লি। অদুবু দেঙ্গিনচিংবা লায়না অসিদগী মীয়াম্না থোইনা মীপাইনিংঙাই লৈতে। মীওই ১০০ রোমদা মহীক অসি লোয়না চঙখ্রবসু লায়না অসি লোয়না নাগদবা নত্তে। অদুমকপু লায়না লায়ওংশিং অসিদগী ঙাকথোক্লনবা হোৎনবদি তঙাইফদে। লায়ওংশিং অসিদগী মতম চানা ঙাকথোক্লবগীদমক লায়না অসিগা মরী লৈনবা সিম্পটমশিং য়াওরকপা মতমদা য়াম্না থুনা ডাক্তরশিংগা তানদুনা লায়েংথোকপীয়ু। মসিনা পামদবা থৌদোকশিং থোকহনগদবদগী ঙাকথোকপদা নত্তনা লায়না লায়ওংশিং অসিদগীসু মতম চানা ঙাকথোকপা ঙমগনি। ঈশিং ঈচাউ থোকখিবা মফমশিংদসু উনশাগী লায়না কয়া থোরকপা য়াই। হায়রিবশিং অসিসু মতম চানা য়েংথোকপীহৌ হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, য়ুম্নাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈশাংখোংগী কম্যুনিতি হোলদসু ঙসি ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লখ্রবশিংগী য়াইফনবা সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকী মিৎয়েং মখাদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প মফম অদুদা এম এল এ ও লুখোইনা লুচিংলবা হেলথ দিপার্টমেন্টকী লুচিংবশিং য়াওনা য়েংশিনবদা নত্তনা মফম অদুদা লৈবা মীয়ামদসু তোঙান তোঙানবা লায়না লায়ওংশিংদগী ঙাকথোক্লবা এৱ্যার্নেস পীবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরমশিং অদুদা ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসার ডা. গোজেন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিসার ডা. থোইনাওসু শরুক য়াখি।

খুগা তম্পাক্তা ওপরেসন চথখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিগী ইন্দিপেন্দেন্ট দেগী থৌরমগা মরী লৈননা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চুড়াচান্দপুর পুলিসকী এদিস্নেল এস পি, এল খোংশাইনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৪ দগী ৬ ফাওবা চুড়াচান্দপুরগী খুগা তম্পাক এরিয়াদা ওপরেসন চথখ্রে।

ওপরেসন অদুদা পুলিসনা খুগা তম্পাক্কী এরিয়াগী য়ুমশিংদা লৈবা চহী ১৫ দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা অমদি নুপীশিং ময়ুমদগী হোইদোরক্লগা লম্বীদা নুপা-নুপী তোঙান-তোঙান্না লেপহন্দুনা থমখি। মতুংদা পুলিসনা মীওইশিং অদু মশাগী শক্তাকচে য়াওব্রা হায়দুনা চেক তৌদুনা ৱাহং-পাউহং চথখি। মদুদা পুন্না মীওই ৩০০ লোম অমমমতা ওইনা ৱাহং-পাউহং চথখি। মদুদা মীওই ১৬ লোম মশাগী শক্তাকচে য়াওরমদবদগী চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসন্দা মখা তানা ৱাহং-পাউহং চথনবগীদমক পুখৎখি হায়রি।

মহৈরোয়শিং খোঙচৎ চৎখ্রে, ...

লামায় ১গী মখা... কন্সটিট্যুএন্সি ৮ দা য়েললৌমীশিংগী সীট রিজার্ভ তৌগদবনি, ইলেক্টোরেল রোলদগী মীতোপ খন্দোক্কদবনি হায়বনচিংবা স্লোগান কয়া লাউখি। নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা টিদ্দিম লম্বীদা থোরক্তুনা প্রোটেষ্ট চথনবা হোৎনরকপদা পুলিস পার্সনেলশিংনা গেটতা থিংখি অমদি পুলিসকা মহৈরোয়শিংগা চাউনা মুক্নখি। লাইবকথীবা থৌদোক অমনা পুলিসকা মহৈরোয়শিংগা মুক্নবা অদুদা মখুৎতা কলম পায়দুনা মহৈ তমজরিবা মখুৎ হনবসু ঙম্লরোইদবা মহৈরোয় অমদা নোংমৈ মতোন্না থবাক্তা থিনবদগী শোক্তুনা জেনিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

শোক্লবা মহৈরোয় অদুদি বি এ ফার্ষ্ট সেমিষ্টর তম্লিবা নম্বোল অৱাং জিরি লৈকায়দগী রাকেশ হৱাইবমনি। মতুংদা মহৈরোয়শিংনা টিদ্দিম লম্বীদা থোরক্তুনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা তোঙান-তোঙানবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি। অসিগুম্বা মরাল লৈজদ্রবা মহৈরোয়শিংদা পুলিসকী কা হেনবা থৌওং চথবা অসিবু ইম্ফাল কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা কন্দেম তৌরক্লি।

কে এস এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুল, হায়ৱে ইংলিশ স্কুল, জিরি পব্লিক স্কুল, ব্লুমিং ফ্লাৱর ইংলিশ স্কুল, কষ্টুর্বা গার্লস হায় স্কুলগী য়াল্লবা মহৈরোয়শিংনা জিরি কৈথেলদা থোক্লক্তুনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা কে এস এ ময়ায় লম্বী জোনেল কাউন্সিলগী ওফিসতা পুলিস পার্সনেল খরা লাক্তুনা রেইদ চথরম্বা অমদি ময়াং ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈরিবা স্কুল খরদা চঙদুনা কে এস এনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা শরুক য়াদনবা অমদি কে এস এগী থৌমীশিং লাকপদা পাউ পীরক্লবা খঙহল্লমখিবা অসি কংলৈচা পুন্নমক্কী লাইবক থীবনি হায়রি।

অসিগুম্বা থৌওং অসি কে এস এনা তরায়না লৌদবগা লোয়ননা থৌমীশিংবু কিহনবা অমদি স্কুলশিংদা কিহল্লম্বা অসিনা ঈহৌ অসিবু লেপহনবা ঙম্লোই। চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি কংলৈচা খূদিংমক্কী শরুক য়াওরিবনি অমদি দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা হনগদবা লৈতে। মখা তারকপদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৪ দা পাঙথোক্কনি তৌরিবা জিল্লা পরিষদ, প্রধান, মেম্বরগী ইলেক্সনদা য়েলহৌমী নত্তবা মীতোপশিংনা মীরেপ ওইবা অমসুং ভোট থাদবা য়াহন্দনবা মরী লৈনবশিংনা অথুবদা চেরোল অমা থোক্কদবনি হায়না কে এস এগী সেক্রেটরি পব্লিক গ্রিভান্সেস সুরজনা থোকপা চেরোল অমা হায়রি।

মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম...

*লামায় ১গী মখা...*নৌহৌননা চহী খরা অসিদা য়াম্না ময়েক শেংনা পুথোরক্লিবসিগী মরমদি ঐখোয় মতম অমদা নীংখা তম্না লৈরমই হায়বসি মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙননবনি।

বৃটিশনা মণিপুর থাদোক্লম্লবা তুংদা কংলাদা ওগষ্ট ১৪গী অহিং নোংয়াইদা য়ুনিয়ন জেককী ফিরাল চিংথরগা নুমিৎতুদা চিংখৎখিবা পাখঙবা পাফল য়েকপা ফিরাল অদু নেসনল ফ্লেগনি হায়বা মীয়ামদা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। মরম অদুনা ইরমদম অসিগী নাৎ, লোল, ফিরাল অমদি লৈরম্বা চৎনবী অমসুং মতমদুদা য়ানখিবা চেরোল অদুগী মতাংদা খঙমিন্নবগা লোয়ননা ওগষ্ট ১৪, মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিৎতা চিংখৎখিবা পাখঙবগী পাফল য়েকপা ফিরাল অদু নুমিৎসিদা মহৈশঙ খূদিংমক্তা চিংখৎপীনবা দেসাম অমসুং এইমসনা আপিল তৌরক্লি।

পুন্নমক অসিগী মথক্তা থৌনা ফৰবা ইপা-ইপুশিংনা মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবগী লানফমদা মায়থিবা নংখিদুনা কুমজা ১৮৯১গী ওগষ্ট ১৩দা থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবা নুমিৎ অসিসু মহৈরোয়শিংদা পাক শন্না খঙহন্নবগীদমক লাক্লিবা ওগষ্ট ১৩দসু অখন্নবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি হায়রি।

লূপ অসিগী কো-কনভিনর রাজেশ য়ুম্নামনা হায়খি, স্কুল, কোলেজ অমদি হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা চিংখৎকদৌরিবা মণিপুরগী ফিরাল অসি দেসাম অমসুং এইমসকী হেদ ওফিস, ব্রাঞ্চ ওফিসশিংদগী ফংগনি। মীপুম তিংনা ৭০শুবা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকপদা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

নুপী অনী মথন্তা ...

লামায় ১গী মখা... অমুক পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুংদা হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ২.৩০ রোম তাবদা লৈখিদবনি। মহাক্কী মীশি অসি খরা চিংনবা লৈবদগী এগজিক্যুটিব মেজিষ্ট্রেট অমদি ভিদিও কভরেজ য়াওনা ঙসি পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। অদুবু অশিবা হকচাং অদু নুপা ময়ুম অমদি নুপী ময়ুমগী মীওইনা লৌগনি হায়দুনা য়েংনরকপদগী চপ চাবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবদগী জেনিমসকী মোর্গতা লৈরি। হয়েং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী রাই মতুং ইন্না লৌবা হায়দুনা য়ানখ্রে। লৈখিদ্রবী বিনা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়ায় লৈকায়গী নিঙোলনি। মচানুপী অমা অমসুং মচানুপা অনী লৈহৌরি।

ফূটব্রিজ ৬ শানবা থৌরাং তৌরি ...

লামায় ১গী মখা... পাৱর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়খি, এম এস পি দি সী এলদা ষ্টাফ ১৮৫৫ অদুগা এম এস পি সী এলদনা ষ্টাফ ১৬৮৫ লৈ। থবক্তগী পোথাবগী মতম হেল্লবা ওফিসর খরা রি-এঙ্গেজমেন্ট ওইনা শীজিন্নরি। এম এস পি সী এলদা রি-এঙ্গেজমেন্টদা ওফিসর অমদি ষ্টাফ ১৪, এম এস পি দি সী এলদনা ওফিসর ১২ রি-এঙ্গেজমেন্ট ওইনা শীজিন্নরি। মীওইশিং অসি কন্ট্রেক্তা শীজিন্নবা অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক এম এস পি সী এল অমদি এম এস পি দি সী এলদা কনাগুম্বা ষ্টাফ নৎত্রগা ওফিসর অমত্তগী প্রমোসন কাবদা খুদোংচাদবা, অয়েৎপা অমত্তা লৈতবনা অকক্লবা থৌরাং লৌখৎপগী ৱাফম লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ ওক্রম হেনরীনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা তোঙান তোঙানবা স্কীল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং মোনিটর অমদি ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা মণিপুরী স্কুল দিভলপমেন্ট মীসন শেম্লে। প্রধান মন্ত্রি কৌসাল বিকাস যোজনা অসিসু মণিপুর সোসাইটি ফোর স্কীল দিলভপমেন্টনা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি। মসিনা নহা ৩২,৪৭২ রোমদা স্কীল ত্রেনিং পীনবা পান্দম থল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ আর কে ইমোনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মাহুদ মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা ইম্ফালগী অকোয়বা মফম কয়াদা পব্লিক কনভিনিয়েন্সশিং শেমগৎনবা খন্নরি হায়না ফোঙদোকখি।

মোরে য়াওনা চেক পোষ্ট পূন্নমক ...

*লামায় ১গী মখা...*সেক্টর অন্দরটেকিং, গ্রান্ট ইন এইদ বোদি অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেটিব কন্ট্রোল মখাদা থবক তৌরিবা ওর্গনাইজেসন খূদিংমক্লা কন্ট্রেক্টর/সপ্লাইয়র খূদিংমক জি এস টি (ন্যু রেজিষ্ট্রেসন)গী মখাদা রেজিষ্টর তৌহনগদবনি। ভেল্যু এদেদ টেক্স (ভেট)কী মখাদা মাঙজৌননা রেজিষ্টর তৌখ্রবশিংনা ওগষ্ট ৫গী মমাঙদা জি এস টি রেজিমদা মাইগ্রেন্ট তৌবা মথৌ তাই। মতুং তারকপদা জি এস টিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌদ্রবদি কন্ট্রেক্ট অমদি সপ্লাইনচিংবা তৌনবগী খুদোংচাবা লৈররোই।

অকোম লূপনা শীন্দুনা ইন্তিগ্রিটি ...

লামায় ১গী মখা... থৌওং চথরি। মখোয়না চথরিবা থৌওং অসি ইচম চম্না তৌবা য়ারোই হায়বনা কান্নগনি হায়বা খন্দে।

মরমদি কুমজা ২০০৮দগী তৌনরকখিবা সূদা লৈরিবা গ্রাউন্দ রুলশিং অসি মখোয়না খঙনা খঙনা খঙশিন্নদনা থবক তৌরি। মখোয়না খুৎলাই পায়দুনা লম্বীদা লাকপা মীওইদগী শেল মুনবা, মী ফারগা থাদোকমল তানবা অমসুং হাৎপনচিংবা থৌওংশিং লেপ্পুনা চথরি। অসিগুম্বা মখোয়গী মওং মতৌ অসি মীয়াম্না অসুম য়েংদুনা লৈবা তারিব্রা হায়না হংখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মমাঙঙৈদগী নুংশি-চান্নরা লৈরক্লবা নাগা, কুকি, মীতৈ অমসুং পাঙলশিংগী মরক্তা শীংচেপ থাজিন্দুনা নুংঙাইনহন্দনবা হোৎনরি। মপুং ওইনা কে এন ওনা মণিপুর মনুংদা মচেৎ তাবা টেরিটোরিএল কাউন্সীল লৈনবা দিমান্দ তৌরি। কুকিলেন্দ শেম্নবসু হোৎনরি। য়ু পি এফনা কুকি ষ্টেট শেম্নবা দিমান্দ তৌরি। মসিনা কাঙলূপ নাইবা, কাঙলূপকী ঈরাং থোকহন্নবা ওইহন্দুনা খৎন-চৈনবা থোকহনবা য়াবা ফীভমদা লৈহল্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসি লৈঙাক্লা কন্ট্রোল তৌবা চঙই।

সূদা লৈরিবশিং অসিনা হাৎপা তুপ্পা, মীওৎ-মীনৈ চথবা হায়বসি সূগী গ্রাউন্দ রুল থুগাইবনি। অসিগুম্বা গ্রাউন্দ রুল থুগাইরকপদা লৈঙাক্লা সূ চৎনরীবদু ককথৎতুনা মখোয়গী মথক্তা ওপরেসন চথদুনা কন্ট্রোল তৌগদবনি। মখোয়বু মনীং তমহনবদগী মীহাৎ মীপুনশিং থোরকপনি হায়নসু মরাল শীখি।

নেসনল এৱার্দী ঐচ ইবোতোম্বী খুমননা হায়খি, চীং-তমগী মরী চেৎশিনহন্নবা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। চীং-তমগী মীওইশিং অৱা অনা খাঙমিন্নদুনা হংমিন্নরবা মতমদা মণিপুরদা ইমোসনেল ইন্তিগ্রিটি পুরক্কনি। থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষণনা দিমান্দ তৌখিবা আর্টিকল ৩গী মখাদা ৱারেপ লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ষ্টেট এসেমব্লিগী অয়াবা হান্না লৌগদবনি হায়বা দিমান্দ অদু অফবা খোঙথাংনি। য়ুম্নামচা দিলিপনা হায়খি, জুলাই ২৭ অসি ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট লৌথোকখিবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসি নীংশিংদুনা থৌরম পাঙথোক্লিবসি মতমদুদা হৌখিবা ঈহৌ অদুগী মতুং ইনবা অমদি থৌনা হাপ্লগা হোৎননবগীদমক্তনি। অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা ঐখোয়না করি থৌদাং লৌফম থোকই হায়বদু খন্নফম থোকই।

অকোম লূপকী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম সোমোরেন্দ্রোনা হায়খি, তোঙান তোঙানবা সেক্সন কয়াদগী জুলাই ২৭কী খোঙজং অদু শৌগৎপদগী মায় পাকপনি। মণিপুরদা লৈরিবা থিয়েটরগী লমজিংবা রতন থিয়ামনচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়ামরুম্না ফাওবা মতমদুনা চঙশিনখিবা খোঙজংনা মরম ওইরদুনা ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট হায়বা ৱাহৈ অসি বেঙ্কোক দিক্লারেসন্দগী লৌথোকখিবনি। মরম অদুনা আই-এমগী সিজ ফায়র অসি মণিপুরদা লৈতে, নাগালেন্দদা খক্তা চৎনবনি। অদুবু চৎন-কাঙলোন অসিগী মায়োক্তা থবক চথরিবশিং অসি ঐখোয় পুন্নমক্লা থেংনমিন্নবা চঙই।

থৌরম অদুদা ইপসাগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ চীংখৈ লুৱাংনচিংবা কয়ানসু ৱা ঙাঙখি। অকোম লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি তেলহৈবা মঙাংনা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীখি।

ক্রাইটরিয়া শুদবা প্রাইভেট স্কুলশিংগী রেকগনিসন কক্কদবনি: এআইএসএফ

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : মহৈরোয়শিংদা প্রাইভেট স্কুলনা নমথাক তৌবা লেপ্পীয়ু। ক্রাইটরিয়া ফুলফিল ওইদবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফজদবা প্রাইভেট স্কুলশিংগী রেকগনিসন কক্কদবনি হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) না ডিমান্দ তৌরক্লি।

ইরাবত ভবনগী কমপ্লেক্সতা লৈবা এ আই এস এফকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা এ আই এস এফকী ষ্টেট সেক্রেটরি কেঐচ রামেশ্বরনা পাউমীশিংদা হায়খি, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফমশিংদা লৈবা প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী টিম অমনা য়েংশিনবা চৎপদা স্কুল ১২ দি কম্প্যুটর এদুকেসন পীদবা, পীবা তারবসু কম্প্যুটরগী ওজানা তাক্তবা, ইংলিস নৎত্রগা বাইওলোজিগী ওজানা তাক্লম্বা থেংনরে।

মরুওইনা এ আই এস এফনা চঙশিনজবা অসিসু কম্প্যুটর এদুকেসনগা মরী লৈননা জুন ২০ দগী চঙশিনবা হৌজবনি। ক্লাস থ্রিদগী ক্লাস আইট ফাওবদি কম্প্যুটর এদুকেসন অসি কম্পলসরি ওই হায়রগা কম্প্যুটর তমদবা য়াওরি। চহী অমগী কম্প্যুটরগী ফীদি লৌরগা তমদবা য়াওরি। কম্প্যুটর তম্বা ওইরবসু কম্প্যুটর এদুকেসনগা মরী লৈনবা ওজানা তাক্তে। মসিগুম্বা থবকশিং অসি তৌহন্নিংদে কম্প্যুটরগা মরী লৈনবা ওজা লৌবীদুনা তাকহনগদবনি।

প্রাইভেট স্কুলশিংদা হৌজিক টোপ্পরশিংদা কনসেসন পীনবা হোৎনবদা নন টোপ্পরদা পীরিবা চৈথেং অসিনা মহৈরোয়শিংদা নীংহন্নহল্লে। মরমদি লৈজদবা লাইরবশিংদা মসিগী চৈথেং ফংহল্লি। অদুনা টোপ্পরশিংদা কনসেসন পীনবা হোৎনবসিসু লেপকদবনি। অদুগা স্মার্ট বোর্দ পীখিবশিং অসিসু মথৌ তৌহনগদবনি।

প্রাইভেট স্কুলশিংনা মতিক চাবা ফী লৌরগা মতিক চানা মহৈ তম্বীগদবনি। কম্প্যুটর পীখিবশিংসু ওজাগী ময়ূমদা থম্নবা নৎতে। স্কুলদা মহৈরোয়শিংনা তম্নবগীদমক্তা পীখিবা ঙাক্তনি হায়বসিসু ওজাশিংনা খঙফম থোকই। অদুনা প্রাইভেট স্কুলশিংনা মহৈরোয়শিংদা নমথাক তৌবা লেপ্পীয়ু।

‘সূ চৎনরিবশিংগা ৱারী শানবা...

লামায় ১গী মখা... ইক্যুইপমেন্ট কয়া অসি লৈহন্নবগীদমক মীৎয়েং চঙবগী তঙায়ফদবা লৈরিবনি। বোম স্কাদশিংনা তৌরিবা থবক অসিসু য়াম্না অরুবা থবকশিংনি। বোম লৌথোক্লবা হোৎনবদা পোকখায়রকপদগী বোম মচেৎনা পান্দুনা শোকপা পর্সনেল অমা হৌজিক ফাওবা বোম মচেৎ লৌথোক্তনা লৈরি হায়বা ৱাফম অমা পুখৎলকপা অসিগী মতাংদা করি লৈবগে হায়বদু য়েংশিনগনি। ষ্টেট অসিগী ফায়র সর্ভিসকী থবক থৌরমশিংদসু পায়খৎপা য়াবা করি লৈবগে হায়বদুসু য়েংশিনগনি। করম করম্বা মফমদা ফায়র ষ্টেসন থম্বগী তঙায়ফদবা লৈরবগে হায়বদুসু য়েংশিনবগা লোয়ননা মখা তাবা থবক থৌরমশিংগীদমক খন্নগনি হায়নসু মখা তাখি।

ষ্টেট অসিদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা হাউসিনচিংবা তৌরিবা অসিগী মতাংদসু য়েংশিনগনি। মীয়ামগীদমক লৈরিবা ক্লব কয়ানা তঙায়ফদনা ক্লবকী থবক থৌরম পাঙথোক্লবগীদমক শেলগী তঙায়ফদবা লৈবদগী ফন্দ দ্রাইবকীদমক চথবা খরসু থেঙনৈ। মসি নত্তবদা শেল তান্ননবগী ৱাখল্লোনদা অরানবা মওংদা তৌরকপশিংদি চপ চানা য়েংশিনগনি।

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগা ত্রাইপর্তাইদ টোক তৌনবগী থৌরাং চথরি। মসি য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইনা পায়খৎকনি। লৈঙাক্লা মমাংদা ৱারী শানবগী থবক চথখিবা কয়াদসু মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনখিবা ঙাক্তনি। য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইবা মওংদা থবক থৌরমশিং চপ চানা তৌগনি।

হোম গার্দকী পে হাপকৎনবা দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজং চঙশিল্লকপা কয়া লৈরি। হোম গার্দনা তৌরক্লিবা দিমান্দ অসি মরম চাবা দিমান্দনি। হোম গার্দশিংগী হৌজিক পীরিবা পে অসি খরা য়াম্মনদে হাপকৎপীয়ু হায়বসি য়াম্না মরম চাই অদুবু হৌজিক লৈঙাক্কী ওইবা শেল-থুমগী ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা ফিভম অসিদা লৈরিবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হোম গার্দশিংগা ৱারী শানগনি। ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা মখোয়গীদমক করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি।

ষ্টেট অসিদা সিক্যুরিটি এস্কোর্ট পীদুনা ঙাক শেল্লিবশিং অসিগী মনুংদা করম করম্বা মীওইনা তশেংনা থ্রেট লৈরিবগে অমদি করম্বা মীওইশিংদনা থ্রেট লৈতবগে হায়বদু য়াম্না কুপ্না য়েংশিন্নবা এক্সরসাইজ অমা চথনবা তৌরি। চীফ সেক্রেটরিনা লুচিংবা সী আই দি অমদি আই বিনচিংবগী মীওইশিং য়াওবা টিম অমা শেম্নগা য়েংশিনহন্নবগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনরি। মণিপুরদা গাড়ীদা ফ্লেগ পোষ্ট হাপ্পগী মশীং য়াল্লিবা অসিগী মতাংদসু য়েংশিনবা য়াবশিং য়েংশিনগনি। ফ্লেগ কোদতা এল্লাউত তৌদবশিং থেৎহন্দনবা য়েংশিনগনি। ট্রান্সফর পোলিসিগী মতাংদসু য়েংশিনবা য়াবশিং য়েংশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়খি, হন্দক সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওজা ট্রান্সফরগা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংনা ঈরাং হৌরকখিবদা অশোক অপন থোকখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা এফ আই আর পানখিবা অদু থৌদোক অমা থোক্লবনিনা থিজিন্নবা পানখিবনি। মহৈরোয় ফাও হায়বা নত্তে। মহৈরোয়গী মায়োক্তা লৈবসু নত্তে। থৌদোক অমা থোক্লবনিনা এফ আই আর পান্দুনা য়েংশিন্নবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পুলিসকী দিমান্দদা কট মোসন থাঙ্গৎলদুনা এম এল এ কে রঞ্জিৎনা হায়খি, জি এস টি চৎনখ্রবসু মণিপুরগী ওইনদি হায়ৱেদা নোংমৈ চিনদোন্দা লান্না টেক্স লৌবা কয়া অমা লৈবনা পোৎ চৈ তাঙবগী অৱাবা অদুমক মায়োক্লবগী ফিভম লৈরি। নেসনল হায়ৱেদা লান্না টেক্স কয়া লৌরিবশিং অসি নীংথিনা য়েংশিনবা ঙমদে। হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্সকীদমক শীজিন্নবা আই আর বি বট্টালিয়ন মঙা লৌনবা মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরক্লব্রা। চীংগী লমশিংদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রে। তম্পাক্কী লমদা খরা ঙাক্লগা য়ারোই। সূদা লৈবা কয়ানা নোংমৈ পায়রগা মী হাৎপগী থবকসু চথদুনা লাক্লি। হন্দক্তসু মোরেদা নুপী অমা হাৎখ্রে।

ষ্টেট অসিদা মোব জষ্টিসকী চৎনবী অমা য়াম্না কন্না লাক্লি। কেস অমা থোক্লকপা মতমদা ইনভেষ্টিগেসন ফজনা তৌদবা নৎত্রগা ৱারোইশিন থুনা পুরক্লবা থবক পায়খৎতবদগী মোব জষ্টিস লাকপসু য়াই। হীরম অসিগী মতাংদসু লৈঙাক্লা য়েংশিনফম থোকই। হোম গার্দশিং হৌজিক চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লক্লি। হোম গার্দনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা নীংথিনা য়েংশিনফম থোকই। হোম গার্দশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি মরম চাবা দিমান্দ ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

পুলিসকী দিমান্দদা কট মোসন থাঙ্গৎলদুনা এম এল এ য়ামথোঙ হাওকিপনা হায়খি, চীংগী মফম কয়াদা পুলিসশিং নীংথিনা মথৌ তৌদবগী ফিভম লৈরি। পুলিসনা ফাগদবা মীওই কয়া ফাবগী মহুত্তা মখোয়গা ওইনা য়ানবগী মওং কয়াসু লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিনবা চুমগনি। সাইকুলদা ফায়র ব্রিগেদ লৈহন্নবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু। মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপা মতমদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। মৈ চাকপগী থৌদোক কয়া থোকপসু লৈখ্রে। মৈ কন্নবগী থবক পায়খৎনবা ফায়র ব্রিগেদ থম্বীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

পুলিসকী দিমান্দদা কট মোসন থাঙ্গৎলদুনা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন্না হায়খি, এন এস সী এন (আই-এম) হায়বসি মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিদা থ্রেট তৌবা পার্টি অমনি। এন এস সী এন (আই-এম) না কা হেনবা থবক কয়া চথবসু লৈখ্রবনি। শক্লাইরবা মীওই কয়াসু এন এস সী এন (আই-এম) না হাৎখিবা লৈখ্রে। এন এস সী এন (আই-এম) না ক্রাইম কয়া চথরকপা মতমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবক পায়খৎত্রে। ইন্টিগ্রিটিদা থ্রেট তৌরিবা এন এস সী এন (আই-এম) মণিপুরদগী তকথোকসি।

ষ্টেট অসিদা গাড়ী মাঙবগী থৌদোক অসি য়াম্না তোয়না থোকপা অমা ওইরি। থাংমৈবন্দদগী মীওই অমগী গাড়ী হুরানবগী থৌদোক অমদা গাড়ী মপু অদুনা সী সী টি ভিগী মতেঙদগী গাড়ী হুরানখিবশিং অদু উবা ফঙখি। মসিগী মতাংদা পুলিসতা ৱাকৎখি। এ ষ্টার গাড়ী অমদা লাক্লগা গাড়ী হুরানখিবা অদু সী সী টি ভিদা ফজনা উবা ফঙখি। পুলিসতা ৱাকৎলবা মতুংদা পুলিসনা গাড়ী অমদি হুরাল্লিবা মীওই অদু ফারে হায়রকখি। অদুবু গাড়ী অদুদি হৌজিক ফাওবা ফঙদনা লৈরি। গাড়ী অদু কদায়দা থমখ্রবগে হায়বদু হায়দোকউ য়াদ্রে হায়বা ৱাফম থমখি। হুরাল্লিবা মী ফারবসু গাড়ী ফঙবা ঙমদবগী ফিভম লৈরি। অসিগুম্বা কয়া অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পুলিসকী ট্রান্সফরগী মওং অসিসু য়েংশিনবগী তঙায়ফদবা লৈরে। চীংদা চহী ২৪ হেন্না পোষ্টিং তারুরবা পুলিস পর্সনেল অমা হন্দক্তা দি জিনা ট্রান্সফর ওর্দর থোক্তুনা ট্রান্সফর তৌনবগী খঙহনখ্রে অদুবু হৌজিক ফাওবা সী ওনা রিলিজ তৌদ্রে হায়দুনা লৈরি। দি জিনা থোকপা ওর্দর অদু সী ওনা রিলিজ তৌবা য়াদ্রে হায়দুনা লৈরিবা অসি করি ফিভমনো হায়বদু য়েংশিনবা চুমগনি।

বোম স্কাদশিং অসি য়াম্না রিস্ক লৈনা থবক তৌরিবশিংনি। বোম স্কাদশিংগীদমক লৈঙাক্লা প্রমোসন্নচিংবা পীদবগী মওং লৈরব্রা। রিস্ক এল্লাউৱেন্স পীবা লৈব্রা। হৌজিক্কী মতমদা অনৌবা মতমগী ইক্যুপমেন্ট কয়া থোরক্লে। রেমোট ওটোমেটিক ভেহিকলনচিংবসু থোরক্লবনি। ষ্টেটসিগী বোম স্কাদশিংনা হৌজিক বোম লৌথোকপদা উপলিবা ফিজোল অসিসু ওমশিনবনা মরম ওইদুনা য়াম্না শাবা মতমগা চূনদ্রবাওইরি। খরা কুইনা উপ্লবদি হকচাংদা শাগৎলকপদগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। হৌজিক্তি কুল্লর য়াওবা থোরক্লে হায়বা ৱাফম লৈরি। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংশিনবীয়ু। ষ্টেট অসিদা হাউসি শান্নবগী থবক অসি য়াম্না তোয়না থেংনরি। শেন্দান লম্বী অমা ওইনা চথরকপগী মওং লাক্লে। ক্লবকী মীং ৱায়রগা হাউসি শান্নবা কয়া অমসু লৈরে। মসি লোনা য়াব্রা হায়নসু ফোঙদোকখি।

পুলিসকী দিমান্দদা কট মোসন থাঙ্গৎলদুনা এম এল এ অব্দুল নসিরনা হায়খি, ফ্লেগ হাপ্পা গাড়ী মশীং অসি য়াম্না য়ামখৎলে। করম করম্বা মীওইনা ফ্লেগ হাপ্পা য়াবগে হায়বসি য়েংশিনবা চুমগনি। ষ্টেট অসিদা ময়াই কাবা দ্রগনচিংবা থিংনবগীদমক থবক কয়া পায়খৎপসু তঙায়ফদে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

পুলিসকী দিমান্দ খন্নরকপদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ সূর্যকুমারনা হায়খি, মণিপুরদা নুপী অঙাংদা চথবা ক্রাইমগী চাং অসি য়াম্না ৱাংলে। হৌখিবা চহীদগী হন্দক্কী চহী অসিগী থা খরা অসিদা থোকপা নুপী অঙাংদা চথবা ক্রাইমগী চাংনা ফাওবা হেনবগী মওং লাক্লি। ইন্দিয়াগী ওইনা সর্ভে তৌবদা মণিপুর অসি নুপী অঙাংদা চথবা ক্রাইমগী চাং য়াম্না ৱাংবা ওইরে। নুপী হাৎপা, ফল্লানবা অমদি নুপী অঙাংদা ওৎ নৈবগী থবক্কী থৌদোক কয়া থোক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হোম গার্দকী দিমান্দ খন্নরকপদা কট মোসন থাঙ্গৎলদুনা এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা হায়খি, হোম গার্দশিংগী পে হেনগৎহন্নবা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি মরম চাবা খোঙজংনি। লৈঙাক্লা মখোয়গীদমক য়েংশিনবীবা চঙগনি। হোম গার্দকী য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়া লৈঙাক্লা পীফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

CAS Foundation
No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
ADMISSION IS GOING
FOUNDATION COURSE
CLASS XI & XII (3RD BATCH)
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & English)
CLASS X (3RD BATCH)
(English, Maths, Science & Social Science)
Seats are Limited First Come First Serve
Morning Batch (5.00– 8.00 A.M.)
Evening Batch (4.30– 7.30) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS available
For Details contact:- CAS Office Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal.
HL-B/3971/18-31Jy